# স্পেনগী কেরোলিনা মারিননা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু থোইরগা নুপীগী সিঙ্গলসকী গোল্ড মেদল ফংখ্রে



নানজিং, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী)ঃ স্পেনগী কেরোলিনা মারিননা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুবু মায়থীবা পীদুনা ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপীগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন ওইদুনা গোল্ড মেদল ফংখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেচ অদুদা সিন্ধু অমসুং কেরোলিনা মারিননা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখি। অহানবা গেম অদুগী তঙ্খায় চনশিল্লকপদা সিন্ধুনা মারিনবু পোইন্ট ১১-৮ দা মাঙজিল থাখি। শান্নরোয় অনীগী মশান্না চাওনা খেন্নবা লৈখি। স্পেনগী শান্নরোয় অদুনা সট্টল অদু য়াম্না থুনা রেলি তৌনবা হোৎনৈ। অদুবু সিন্ধুনা সট্টল অদু তপথনা শান্ননবা লাক্নখি।

অহানবা গেম অদুদা মখা তানা সিন্ধুনা ১৫-১১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈরম্বদগী মারিনগী মায়কৈদগী মশান্নদা খোঙজেল য়াঙশিল্লকপদগী সিন্ধুনা মখূৎ হনবা ঙমদনা পোইন্ট ৬ থংন-থংননা লৌরকপদগী সিন্ধুবু মারিননা ১৭-১৬ তা মাঙজিল থারগা চৎখি। পোইন্ট ১৮-১৮ ফাওবা মান্নরকখি। মদুগী মতুং সিন্ধু ১৯-২০ দা শোখখি। মখা তাবা পোইন্ট অমা মারিননা লৌখিবদগী নুপীগী ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা গেম স্পেনগী কেরোলিনা মারিননা ২১-১৯ দা থোইখি।

অনীশুবা গেমদদি সিন্ধুগী মশান্না অদুদা মারিননা লাকশিন্দুনা হৌবদগী পোইন্ট য়াম্না হেনখি। অহৌবা পোইন্ট ৫ সিন্ধুনা মুনবা ঙমদনা মারিননা লৌখি। গেম অদুগী ময়ায় চনশিল্লকপদা মারিননা সিন্ধুবু ১১-২ দা হেনখি। মখা তানা শান্নরকপদা সিন্ধুগী মথক্তা মারিননা পোইন্ট মরী মরী লৌশিল্লকপদগী অনীশুবা গেম অদু ২১-১০ দা থোইদুনা ২০১৬ ওলিম্পিক গেমসকী চেম্পিয়নসু ওইরিবী কেরোলিনা মারিননা চহী অসিগী চেম্পিয়ন ওইদুনা গোল্ড মেদল লৌখি।

নীংশিংবা য়াই, মমাঙগী ওলিম্পিক্স ফাইনেল অদুদসু সিন্ধুবু মারিননা মায়থীবা পীরম্বনি। মারিননা ঙসি গোল্ড মেদল লৌখিবা অদু থারগা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন টাইটল অসি কুমজা ২০১৪ অমসুং ২০১৫ গী টাইটল থারগা পূন্না টাইটল অহুম্লক লৌবা ঙম্লবী অহানবা নুপীগী শান্নরোয় ওইরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী কাঙলুপতা জপানগী কেন্টো মোমোটানা চাইনাগী সী য়ুকিগা লম্বা তৌনখি। মদুদা কেন্টো মোমোটানা য়াম্না হেনবা মওংদা চাইনাগী সী য়ুকিবু ২১-১১, ২১-১৩ দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি। কেন্টো মোমোটানা জপানগী বেদমিন্টন পুৱারীদা ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্বা অহানবা শান্নরোয় ওইবা ঙমখি।

মশাগী চহী ২৩ শুরবা কেন্টো মোমোটাগী করিয়রদা কুমজা ২০১৬ তা ইলিগেল ওইনা কেসিনো শান্নবা চৎলুবদগী মহাকপু ওলিম্পিক্সতা শরুক য়াহনখিদবনি। মদুগী মতুং মহাক্কী করিয়র অসি ফগৎলকখি। হন্দক্কী ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা মমিং লৈরবা চাইনাগী শান্নরোয় লিন দান অমসুং ওলিম্পিক চেম্পিয়ন চেন লোংবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলে য়ৌরকখিবনি।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী দবলসতা চাইনাগী প্যের লি জুনহুই অমসুং লিয়ু য়ুচেননা জপানগী প্যের টাকেসি কামুরা অমসুং কৈগো সোনোদাবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১২, ২১-১৯ দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।


নুপীগী দবলসতা জপানগী প্যের অনীগী লম্বা ওইখি। ৱর্ল্ড নম্বর টু প্যের য়ুকি ফুকুসিমা অমসুং সয়াকা হিরোতাবু অতোপ্পা জপানগী প্যের মায়ো মাটসুমোতো অমসুং ৱাকানা নাগাহারানা য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা ১৯-২১, ২১-১৯, ২২-২০ দা থোইদুনা নুপীগী দবলসকী চেম্পিয়ন ওইখি।

মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা চাইনাগী প্যের অনী লম্বা তৌনখি। ৱর্ল্ড নম্বর ১ প্যের ঝেং সীৱৈ অমসুং হ্বাং য়াকিয়োংনা ৱর্ল্ড নম্বর ২ প্যের ৱাং য়িলু অমসুং হ্বাং দোংপিংগা শান্নবদা ষ্ট্রেট গেমদা থোইবা ঙমখি। অহানবা গেম ঝেং সীৱৈ অমসুং হ্বাং য়াকিয়োংনা ২১-১৭ তা থোইখি।

অনীশুবা গেমদদি ৱর্ল্ড নম্বর টু প্যের ৱাং য়িলুং অমসুং হ্বাং দোংপিংগী মায়কৈদগী ফজনা শান্নরক্নুনা নম্বর ৱান প্যের অদুবু লম্বা পীরকপা ঙমখি। য়াম্না নক্কনা শান্নরকপদগী প্যের অনীমক পোইন্ট ১৯-১৯ দা লৈখি। অদুবু নম্বর ৱান প্যের ঝেং সীৱৈ অমসুং হ্বাং য়াকিয়োংনা থংনবা পোইন্ট অনী লৌবা ঙমখিবদগী মিক্স দবলসকী গোল্ড মেদল অদু মখোয়না ফংখিবনি।


## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৭৬

১। অহানবা সম্মর ওলেম্পিক পাঙথোকপা মতমদা পাঙথোকখিবা অহানবা থৌরম অদু করিনো?
২। কুমজা ১৯৬২দা পাঙথোকখিবা মণিপুর ষ্টেট গেমসতা মরাথোন্দা মকোক ওইখিবা নুপা অদু কনানো?
৩। ৱেষ্টর্ন রোল হায়রগা করিবু খঙনবগে?
৪। অরুনাচল প্রদেশকী অহানবা ইন্টরনেসনল ফুটবোল শান্নরোয় অদুগী মমিং করি কৌই।
৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।


## লোস কাবোস টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটল ইটালিগী ফাবিও ফোগনিনিনা লৌখ্রে



লোস কাবোস, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী)ঃ মেক্সিকোগী সিটি লোস কাবোসতা পাঙথোকপা মীফেল ওপন হায়নসু খঙনবা লোস কাবোস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটল অদু ইটালিগী ফাবিও ফোগনিনিনা লৌখ্রে। ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেলদা অনীশুবা সিদেদ ওইরিবা ফাবিওনা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা অর্জেন্টিনাগী জোন মার্টিন দেল পোত্রোবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৪, ৬-২ দা থোইখিবনি। ঙরাংগী টাইটল অদু থারগা ফাবিও ফোগনিনিনা কুমজা ২০১৮ গী ওইনা অহুমশুবা এ টি পি টাইটল ওইরি। ফাবিওগী মখূৎতা মায়থীহৌবা জোন মার্টিন দেল পোত্রো চহী অসিগী ৱিমব্লেদন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেলদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান স্পেনগী রাফেল নদালগী মখূৎতা সেট মঙা চঙনা লম্বা তৌনরবা মতুং মায়থীবা নংখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী দবলসকী কাঙলুপতা অহুমশুবা সিদেদ প্যের মেক্সিকোগী মীগেল এঞ্জেল রিস অমসুং অল সলবাদোরগী মার্সেলো এরিভানোনা য়ু এসকী টেলর অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী থনাসিবু থোইরমখি।

## ভিরাত কোলিনা টেষ্ট বেটসমেনশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মকোক্তা হাইগৎপা ঙমখ্রে



লন্দন, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী)ঃ ইন্টর্নেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলনা খ্বাসদগী নৌনা ফোঙদোকখিবা টেষ্ট ক্রিকেট শান্নবা বেটসমেনশিংগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাত কোলিনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে।

ঙরাং ইংলেন্দগা শান্নবা অহানবা টেষ্ট মেচ অদু রন ৩১ দা মায়থীখ্রবা ইন্দিয়াগী টিমগী কেপ্টেননা অহানবা ইন্নিংসতা য়াম্না ফজবা পর্ফোমেন্স উৎতুনা রন ১৪৯ লৌবা ঙমখি। মদুগী মতুং অনীশুবা ইন্নিংসতা রন ৫১ লৌদুনা ইন্দিয়াগী টিম অদুবু মায় পাক্লনবা য়াম্না কন্না হোৎনরম্বনি।

ভিরাত কোলিনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ষ্টিব স্মিথতগী নম্বর ৱান পোজিসন অদু মুনবা ঙমখিবনি। মহাক্না ইন্দিয়াগী ক্রিকেট পুৱারীদা তরেৎশুবা শান্নরোয় ওইনা বেটসমেনশিংগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা মকোক ওইবা ঙম্লিবনি। হায়রিবা অসি কুমজা ২০১১ গী জুন থাদা সচিন তেন্দুলকরনা মকোক ওইরম্বা অদুগী মতুংদা মহাক্না অহানবনি। পনবা য়াই, ভিরাত কোলিনা কুমজা ২০১৫ গী দিসেম্বর থাদগী বেটসমেনশিংগী পরিংদা অনীশুবা থাক্তা অদুমক লৈদুনা লাকখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী কেপ্টেন ষ্টিব স্মিথতগী পোইন্ট ৫ হেনগৎলগা ভিরাত কোলি হৌজিক ৱর্ল্ড নম্বর ওইরি।

## স্পেননা ওষ্ট্রেলিয়া পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা ২০১৮ ৱুমেন্স হোক্কী ৱর্ল্ড কপকী অহুমশুবা পোজিসন তাদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে



লন্দন, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী)ঃ চহী ৪/৪ লৈরগা পাঙথোকপা ৱুমেন্স হোক্কী ৱর্ল্ড কপকী কুমজা ২০১৮গী ওইনা ইংলেন্দনা য়ুম্ভু ওইদুনা পাঙথোরকপদা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা পোজিসনগী লম্বাদা ওষ্ট্রেলিয়াবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা স্পেননা অহুমশুবা তাখ্রে।

লন্দনগী লি ভেলি হোক্কী এন্দ টেন্নিস সেন্টরদা পাঙথোকপা ৱুমেন্স হোক্কী ৱর্ল্ড কপ অদুদা স্পেনগী টিমনা পুল 'সি'দা পোইন্ট ৩ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসন তাদুনা ক্রোস ওভর (প্লে ওফ) মেচ শান্নরকপনি। হায়রিবা মেচ অদুদা মখোয়না বেলজিয়মবু পেনাল্টি সুট আউটতা পাঞ্জল ৩-২দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকখি। স্পেননা ক্বার্টর ফাইনেলদা জর্মনিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা শুপ্নগী পাঞ্জল ১-০দা থোইরদা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ঙরাং শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেচ অদুদা খ্বায়দগী থাক নেম্বা টিম অনীগী মনুংদা অমা ওইরিবা ৱর্ল্ড রেঙ্ক ১৭তা লৈবা আয়রলেন্দগা লম্বা তৌনবদা মেচকী অপীবা ক্বার্টর ৪ লোয়শিনখিবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-১দা লৈনখিবদগী চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী চৎন-কাংলোনগী মতুং ইন্না পেনাল্টি সুট আউট তৌনখি। মদুদা স্পেনবু আয়রলেন্দনা পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমদনা অহুমশুবা পোজিসনগীদমক শেম শাখিবনি।

নাকল অমরোমদা ঙসি অহুমশুবা পোজিসনগীদমক শেমশাখিবা অতোপ্পা টিম ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম্না চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী হৌরকপদা পুল 'দি'দা মকোক ওইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা অর্জেন্টিনাগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ৪-৩দা থোইরগা সেমীফাইনেল য়ৌরকপখি। ওষ্ট্রেলিয়ানা সেমীফাইনেলদা কুমজা ২০১৪গী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন নেদরলেন্দসকা লম্বা তৌনবদা অপীবা মিনট ৬০ শান্নবদা টিম অনীনা পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চত্তুনা লৈখিবদগী পেনাল্টি সুট আউট তৌনখি। মদুদা নেদরলেন্দসনা পাঞ্জল ৩-১দা থোইদুনা ওষ্ট্রেলিয়ানা ঙসি স্পেনগা অহুশুবা পোজিসনগীদমক শেমশাখি।

ঙসিগী মেচ অদুদা স্পেননা হৌবদগী ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদা বোল হেন্না পুশিনবা ঙমখি। অহানবা ক্বার্টরদা স্পেননা পুশিনখিবা এটেক্ট অমদা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু স্পেনগী মারিয়া লোপেজনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ওষ্ট্রেলিয়াবু ১-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। ক্বার্টর অদু লোয়গদবা মিনট অমাখক ঙাইরবা মতমদা স্পেনগী বর্টা বোনাষ্ট্রেনা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা ২-০দা অমুক মাংজিল থাদুনা ক্বার্টর অদু লোয়শিনখি।

অনীশুবা ক্বার্টর অদুদা পাঞ্জল ০-২দা শোখদুনা লৈরিবা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনরকখি। অদুবু স্পেনগী দিফেন্দরশিংনা মখোয়গী গোল অদুবু চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা পাঞ্জল অমত্তা চলহনখিদে।

অহুশুবা ক্বার্টর লোয়গদবা মিনট ৫দা ঙাইরবা মতমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোয় কেথরিন স্লাটেরিনা য়াম্না ফজবা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা শোখখিবা পাঞ্জল ২গী মনুংদা অমা হন্দোকপা ঙমখি। অরোইবা অমদি মরীশুবা ক্বার্টর অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নোয়শিং ইক্বেলাইজর ফংনবা ফনা কন্না হোৎনখি। মখোয়গী হোৎনজমন পূম্নমক স্পেনগী দিফেন্দরশিংনা চেকশিন্না শান্নদুনা পাঞ্জল হন্দাকহনখিদে। মদুগী ওন্ন-তৈনবদা স্পেননা ফংখিবা কাউন্টর এটেক্ট অমদা স্পেনগী এলিসিয়া মাগেজনা ফিল্ড গোল অমগা চল্লগা ঙসিগী ৱুমেন্স হোক্কী ৱর্ল্ড কপ অসিগী অহুমশুবা (ব্রোঞ্জ মেদল) ফংখি। ঙসি অথেঙবদা মমাংগী চেম্পিয়ন নেদরলেন্দস অমসুং আয়রলেন্দ ফাইনেল শান্নরগনি।

## য়ু এস এগী ফ্লোরিদাদা শান্নবা অনীশুবা টি-২০দা বাংলাদেশনা ৱেষ্ট ইন্দিজপু রন ১২দা মায়থীবা পীখ্রে



ফ্লোরিদা, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী)ঃ য়ু এস এগী ফ্লোরিদাদা লৈবা লোদরহিল সিটিদা ইন্টর্নেসনল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সী সী) না শকখঙলবা য়ু এস এগী অমতা ঙাইরবা ষ্টেদিয়ম অমা ওইরিবা সেন্ট্রেল ব্রোৱার্দ রিজনেল পার্ক ষ্টেদিয়ম টর্ফ গ্রাউন্দদা বাংলাদেশ অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজনা শান্নবা অনীশুবা টি-২০ সেরিজগী অনীশুবা মেচ অদু বংলাদেশনা রন ১২দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুগী টোস ৱেষ্ট ইন্দিজনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা বাংলাদেশকী মায়কৈদগী ওভর ২০ শান্নবদা ৱিকেট ৫ খক তুরগা রন ১৭১ লৌখি। বাংলাদেশকী মায়কৈদগী লিতোন দাস অমসুং টামিম ইকবালগা শান্নরকপদগী লিতোন দাস শুপ্নগী রন ১ দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবা মুস্ফিকুর রহিমসু রন য়াম্না লৌবা ঙমদনা শুপ্নগী রন ৪ দা আউট ওইরগা বাংলাদেশকী স্কোরবোর্দতা রন ২৪ লৈবদা বেটসমেন ২ তুখি।

সোমিয়া সরকার শান্নবা চঙলকখি। মহাক রন ১৪ লৌরম্লগা আউট ওইখিবদগী স্কোরবোর্দতা রন ৪৮ অদুগা আউট ওইখিবা বেটসমেন মশীং ৩ শুখি। কেপ্টেন সকিব অল হসন অমসুং ওপনর টামিম ইকবালনা মেচ অদুগী খ্বাইদগী মরুওইবা ইন্নিংস অদু শান্নদুনা ওভর ৮ দা রন ৯০ হাপচিন্দুনা টিম অদুগী স্কোর অদু ওভর ১৬ শুরকপদা ১৩৪ লৈখি।

ওপনর টামিম ইকবাল বোল ৪৪ দা সিক্স মরি অমসুং ফোর তরুক য়ৈরগা মশাগী রন ৭৪ দা আউট ওইখি। মখা তানা বাংলাদেশকী মায়কৈদগী রন ৩৩ হাপচিনবা ঙমখি। কেপ্টেন সকিব অল হসন শুপ্নগী বোল ৩৮ দা সিক্স অমগা ফোর মাপন য়ৈদুনা রন ৬০ লৌরগা আউট ওইখি। মখোয়গী ইন্নিংস লোইশিল্লকপদা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১৭১ য়ৌখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজনা মেচ অদু মায় পাক্লনবা রন ১৭২ গী টার্গেট লৈখি। মখোয়গীসু হৌরকপদা ফিভম শোকখি। ওপনর ইৱিন লেৱিস শুপ্নগী রন ১ দা আউট ওইখি। এন্দ্রি রসেল অমসুং ওপনর এন্দ্রি ফ্লেটচরনা ইন্নিংস অদু রন ৩৩ ফাওবা য়ৌহল্লকখি। রসেল মশাগী রন ১৭ তা আউট ওইখিবদগী মার্লোন সাম্যুএল শান্নবা চঙলকখি। মহাকসু রন ৪৮ য়ৌরকপদা মশাগী রন ১০ দা আউট ওইখি। দিনেশ রামদিনসু শুপ্নগী বোল ১১ খক মায়োক্লবদা রন ৫ লৌরগা আউট ওইবদগী ৱেষ্ট ইন্দিজগী স্কোরবোর্দতা রন ৫৮ খক লৈবা মতমদা বেটসমেন ৪ তুখি।

রোদমেন পৱেল অমসুং ওপনর এন্দ্রি ফ্লেটচরনা ইন্নিংস অদু মখা তানা পুখৎলদুনা মঙাশুবা ৱিকেট পার্টনরশিপকীদমক রন ৫৮ হাপচিন্দুনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী স্কোর অদু ১১৬ য়ৌহনখি। ফ্লেটচর বোল ৩৩ দা সিক্স অনী অমসুং ফোর ৩ য়ৈরগা মশাগী রন ৪৩ দা আউট ওইখি। রোদমেন পৱেল বোল ৩৪ মায়োক্লবদা সিক্স অনী অমসুং ফোর অহুম য়ৈরগা মশাগী রন ৪৩ দা আউট ওইখিবদগী মখা তানা চঙলকখিবা ৱেষ্ট ইন্দিজকী বেটসমেনশিং ফজবা স্কোর অমত্তা শেন্থা ঙমখিদবা মরম্না ওভর ২০ লোইশিনবদা ৱিকেট ৯ তুরগা শুপ্নগী রন ১৫৯ খক লৌখিবদগী মেচ অদু মখোয় বাংলাদেশনা রন ১২ দা থোইখি। বাংলাদেশকী বোলর মুষ্টাফিজুর রহমন অমসুং নাজমুল ইস্লামনা ৱিকেট অহুম অহুম লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

## গ্লাসগো সিটিদা পাঙথোকপা য়ুরোপিয়ন স্বিমিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ দা ৱর্ল্ড রেকোর্দ ২ থুগায়বা ঙমখ্রে



গ্লাসগো, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী)ঃ স্কোটলেন্দগী সিটি গ্লাসগোদা পাঙথোক্লিবা য়ুরোপিয়ন স্বিমিং চেম্পিয়ন্সিপতা ৱর্ল্ড রেকোর্দ অনী থুগায়বা ঙমখ্রে। নুপাগী মিটর ১০০ গী ব্রেষ্টষ্ট্রোক ইভেন্টতা অদাম পিটিনা অনৌবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ অমা থমখি। অদুগা মিটর ৫০ গী নুপাগী বেকষ্ট্রোক ইভেন্টতা ক্লিমেন্টনা অনৌবা রেকোর্দ অমসু থমখিবনি।

বৃটেনগী স্বিমর অদাম পিটিনা ঙরাং পাঙথোকখিবা য়ুরোপিয়ন স্বিমিং চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী মিটর ১০০ গী ব্রেষ্টষ্ট্রোক ইভেন্টতা সেকেন্দ ৫৭ তা য়ৌদুনা হান্না লৈরম্বা মহাক মশামক্না থমখিবা ৱর্ল্ড রেকোর্দতগী সেকেন্দ ০.১৩ ঙনখৎতুনা অনৌবা রেকোর্দ অদু থম্বা ঙমখিবনি।

ওলিম্পিক্কীসু চেম্পিয়ন ওইরিবা অদাম পিটিনা ইভেন্ট অদুদা সেকেন্দ ৫৮ গী মনুংদা ইরোয়বা ঙম্বা নুপা স্বিমর ওইরি। মহাক্না গোল্ড মেদল ফংখ্রবা মতুং সিলভর মেদল অদুসু বৃটেনগী জেমস ৱিলবিনা মঙোন্দগী সেকেন্দ ১.৫৪ চোন্থরগা লৌখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা রসিয়াগী স্বিমর এন্টোন চুবকোভনা সেকেন্দ ৫৮.৯৬ তা লৌবা ঙমখি।

অদাম পিটিনা থমখিবা মমাঙগী ৱর্ল্ড রেকোর্দ অদু চহী অনীগী মমাঙদা ব্রাজিলনা য়ুম্ভু ওইরগা রিও দি জেনৈরোদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমস অদুদা থল্লম্বনি। চহী অনীগী মতুংদা হায়রিবা রেকোর্দ অদু মহাক মশামক্না থুগায়চখিবনি।

অতোপ্পা ৱর্ল্ড রেকোর্দ অদুনা রসিয়াগী স্বিমর ক্লিমেন্ট কোলেসনিকোবনা নুপাগী মিটর ৫০ গী বেকষ্ট্রোক ইভেন্টতা থম্বা ঙমখি। ইভেন্ট অদু ক্লিমেন্ট কোলেসনিকোবনা সেকেন্দ ২৪ দা ইভেন্ট অদুগী অনৌবা রেকোর্দ থমখিবনি। হায়রিবা ইভেন্ট অসিগী ওইনা চহী মাপনগী মমাঙদা ইংলেন্দগী লিয়াম টানকোকনা থল্লম্বনি।

মহাক্না কুমজা ২০০৯ দা ইটালিগী সিটি রোমদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড স্বিমিং চেম্পিয়ন্সিপতা ৱর্ল্ড রেকোর্দ অদু থল্লম্বনি। মহাক্কী মতম অদুদগী রসিয়াগী নহা ওইরিবা স্বিমর ক্লিমেন্ট কোলেসনিকোবনা সেকেন্দ ২৪ দা মিটর ৫০ গী বেকষ্ট্রোক ইভেন্ট অদুদা হান্নগী ৱর্ল্ড রেকোর্দতগী সেকেন্দ ০.০৪ হন্থরগা অনৌবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমখিবনি।

পনবা য়াবদি, চখরিবা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ইরাই নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মিটর ৪ X ১০০ ফ্রীষ্টাইলদা গোল্ড মেদল ফংখিবা রসিয়াগী টিমদা ক্লিমেন্ট কোলেসনিকোব শরুক য়াখি। মহাক্না ৱর্ল্ড রেকোর্দ থুগায়রগা গোল্ড মেদল লৌখিবা ইভেন্ট অদুদা মমাঙদা ৱর্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়ন ওইরম্লবা রোমানিয়াগী রোবর্ট এন্দ্রি গ্লিন্টানা সিলভর মেদল ফংখি। ক্লিমেন্টনা গ্লিন্টাদগী য়াম্না হেন্দুনা সেকেন্দ ০.৫৫ খেন্নহনবা ঙমখি। মমাঙগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপতা ক্লিমেন্ট সিনিয়রগী অহানবা শরুক য়ারকপদা মিটর ২০০ গী বেকষ্ট্রোকতা মরিশুবা পোজিসন তাখি।

য়ুরোপিয়ন স্বিমিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা রসিয়াগী মায়কৈদগী ফজবা পর্ফোমেন্স উৎপা ঙম্লি। নুপাগী সিনক্রোনাইজ স্বিমিংগী কম্পিটিসনদা রসিয়াগী মায়কৈদগী অনাষ্টেসিয়া অরখিপোপস্কিয়া, অনাষ্টেসিয়া বয়ান্দিনা, দারিয়া বয়ান্দিনা, মারিনা গোলিয়াকিনা, ভেরোনিকা কালিনিনা, পোলিনা কোমর, মারিয়া সুরোকিনা, দারিনা বালিটোভা অমুসং মিখেলা কলানচানা গোল্ড মেদল ফংখি।

রসিয়াগী সিনক্রোনাইজ টিমগী মায়কৈদগী কোমরনা ফোঙদোরকপদা মখোয়না পর্ফোমেন্স উৎলিবা স্বিমিং পুল অদুগী ঈশিংদা ফ্লোরিনগী শরুক হেন্না ৱাৎপদগী উবগী চাং হন্থখি হায়রি। মখোয়না নুংঙাইতবা অদু লৈরবসু পূন্না পোইন্ট ৯৭.০৩৩৩ ফংদুনা গোল্ড মেদল লৌখিবনি। অদুগা সিলভর মেদল অদুনা য়ুক্রেনগী টিমনা পোইন্ট ৯৪.৬০০০ ফংলগা লৌখি। লোয়ননা ইটালিগী টিমনা পোইন্ট ৯২.২৩৩৩ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।